সাপম কুঞ্জকেশ্বরগী থম্বাল কেম্পেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচ এন এস): ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা বি জে পিদা য়াওশিনখ্রবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমল্লি ইলেক্সনদসু মীরেপ ওইখিবা পাৎশোই এ সীদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইগনি থৌরাংলিবা সাপম কুঞ্জকেশ্বর (কেব) গী থম্বাল কেম্পেন হৌদোকখ্রে।

ঙসি কেম্পেন অসি হৌদোক্লদুনা মহাক্লা হায়, বি জে পিগী থম্বাল কেম্পেন মশাগী য়ুমদগী হৌদোকচবগা লোয়ননা কেম্পেন অসিনা পাৎশোই পার্ট ফোরগী অরোইবা শরুক ফাওবা কোনশিনবনি। কেম্পেন অসিগা লোয়ননা লমদম অসি তংদু লৈতাবা পুরকপা ওইরসনু অমসুং মরু ওইনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা থৌদাং লৌজবা ঙম্নবগীদমক্তা কেম্পেন অসি চথবনি হায়খি।

মীয়াম্নসু বি জে পিদা ভোট পীবিদুনা অওনবা মণিপুর পুরক্লবা হোৎনবদা পার্টি অসিনা লৌরিবা থৌদাংবু শৌগৎপীয়ু লোয়ননা লাক্কদৌরিবা মথংগী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা চোঙথোকচরকপা মঙোন্দা পাৎশোই এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়াম্না ভোট পীবিয়ু হায়খি।

এন ঐচ-৩৭কী টু লেন্দ...

লামায় ১গী মখা... শেমগৎনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্তা ঈ পি সী মোদতা লুপা ক্রোর ৪১০.৬৮গী বডজেটকী শেনফম অমা সেঙ্কসন তৌরে হায়খি।

থবক অসি খোঙশাং মনাক অমসুং পুইলোন ভিলেজ (পেকেজ-৫) তা চথুগদবনি হায়নসু ত্বিটরদা ফোঙদোরকখি।

য়ুনিয়ন রোদ ট্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজগী মিনিষ্টর নিটিন গদকারিনা ত্বিট তৌরকপা ৱাফমশিং অসিবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা হনখিবা মহাক্কী পাউখুমদা মণিপুরগী রোদ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবগীদমক্তা চোকথবা লৈতনা হোৎনবীবগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়খি।

প্রোজেক্ট অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিং চাওখৎপনা লৈবাক অসিগী চাওখৎনবগী ইঞ্জিন ওইগনি হায়বদু ময়েক শেংনা থোকহনবদা মতেং ওইরগনি হায়খি।

নুমিদাংগী কর্ফিয়ু ...

লামায় ১গী মখা... থৌরমশিংসু কোভিদ এপ্রোপ্রিটএট বিহেবিয়রশিংগী মনুংদা মাস্ক উপ্পা অমসুং ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লগা পাঙথোকপা য়ারগনি হায়রি।

অদুম ওইমক মীয়াম পূনবগী থৌরমশিং ওপন হোল/স্পেসনচিংবদা য়ারিবমখৈ পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা লাইশঙশিংসু হাংদোকপদা অয়াবা পীরে। অদুম ওইনমক মীয়াম পূনবা থৌরমদি য়ারিবমখৈ ওপন হোল/স্পেসতা তৌগদবনি হায়রি।

মহৈশঙশিংগী ওইনদি থা অসিগী ৯দা সেক্রেটরিএট : হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অদুগী মতুংইন্না ঙাক্লা চৎকদবনি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	83.833202
US Dollar	74.306968
British Pound	99.912127
Australian Dollar	53.779281
Chinese Yuan Renminbi	11.633832
Japanese Yen	0.651708
Malaysian Ringgit	17.762890
Singapore Dollar	54.584996
South Korean Won	0.062430
Saudi Arabian Riyal	19.815191
Thai Baht	2.262987

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48705.00
Mumbai	–	Rs	49680.00
Delhi	–	Rs	49530.00
Kolkata	–	Rs	49930.00

GAS NEWS

M/S R & H Indane Service
Irilbung
Only Home Dellivery
Booking Upto 16/10/2021
Valid from 05/10/21
Stock 306 nos.
Home Dellivery & Booking
Contact numbers
8132036940, 8414824977,
8413936705, 7085786488
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed

KHORIPHABA NAMBOL
Bk. Uptodate
Timing:6am to 10am
Home delivery no :
9366471778, 8974087390,
8787632782

HIYANGTHANG INDANE.
Booking 18-10-21.
Valid.16-10-21.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery
Service. Contact no.
Office no. 6381538861.
8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971.

ডা. কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বমগী লাইরিক ৪ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২০ (ঐচএনএস): ডা. কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বমনা ইবা সনাকোনুং অমসুং ঙাংবী মহারাণি, বোধচন্দ্র মহারাজগী লৈমশিজশিং, মহারাজ কুমারি বিনোদিনি অমসুং লৈমপাৎকী থারিকথা কৌবা লাইরিক মরি ফোঙবগী থৌরম ওল্ড এসেমল্লি মনাক্তা লৈবা হিন্দি পরিষদ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

অঙোম নিংথৌ প্রিজর্ভেসন এন্দ দোক্যুমেন্টেসন সেন্টরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অসিদা রিটায়র্দ আই এ এস আর কে নিমাইনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর মণিপুর, মখোনমনি মোংশাবনা থৌরম মপু ওইখি। দিন ওফ হ্যুমেনিটি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি প্রোফেসর নহাকপম অরুনা, এসোসিএট প্রোফেসর মণিপুরী দিপার্টমেন্ট মণিপুর য়ুনিভসির্টি, কোইজম শান্তিবালানা মীথুং ওইখি।

অইবা কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বমনা হায়খি, ঙসি অসি য়াম্না লাইবক ফবা নুমিৎ অমনি। ঙসি অঙোম নিংথৌ প্রিজর্ভেসন এন্দ দোক্যুমেন্টেসন সেন্টর উরিপোক অচোম লৈকায়না শীন্দুনা পাঙথোকপীবা ঐগী লাইরিক ফোঙবা ফংজবসিদা নুংঙাইবা ওইরে। ঐনা ইজরিবা লাইরিকশিং অসি করিগী সিলচরদা ফোঙদবনো য়াম্না হংবীরকই, করিগীনো হায়রগা ইশাদি কাছারদা পোকচবা, লৈজবা মীশক ওইবগীনি। করিগী ইম্ফালদা ফোঙলিবনো হায়বসিদা পাউখুমদি পীজদ্রগসু পূক্লিংদা ঐনা ইজরিবা শাগৎচরিবা লাইরিক অসি ইম্ফালগী লৈমায়দগী খোমগৎচবা অরিবা মরু ওইবা ঙাক্তা মরম্না ইম্ফালদা ফোঙবা পামজখি। হায়রিবা মরুশিং অসি বরাক তোর্ব্বানদা থাবুম ১০ নাওপুজরবসু মীকপ থোকপদি ইম্ফালগী লৈমায়দা ওইগদবনি হায়দুনা ফোঙজবনি।

লাইরিক ইজনবা হোৎনবদা মণিপুরগী অহল লমনশিংদগী খোমজিনবা তাকপীরকপা ঙাক্তনি। ইরিঙৈ মতমদসু কোভিদ নাদুনা ইমুংগী নুপী অঙাং য়াওনা নাদুনা লৈবদা শোকখি। অদুবু লাইরিক অসিদি লোইশিল্লগে হায়দুনা ঙমদ-ঙমদা নমদুনা ইবা লোইশিঞ্জখি। কাছারদা লৈজবা ঐনা নিংথৌকোলগী মরমদা ইবা হায়বা অসি অরাইবদি ওইদবা মরম্না ইম্ফালদা লৈরিবা অখণ্ড অহে কয়াগী মতেং অসিনা ইবা ফংজবনি। অদুনা ঐনা ইজরিবা অসিনা মপূং ফাবদি নত্তে অৱাৎপা কয়ানি। মসি মেনখৎনবা হোৎনবদা অহলশিংনা পাউতাক পীবিয়ু হায়খি।

মখোনমনি মোংশাবনা হায়খি, নিংথৌকোল হায়বসিদা ঐখোয় ঐখোয়না থেংনরকপা কয়াদুদা ইথোকপা হায়বসি কান্নবা পীবা ঙাক্তনি। অদুগা শামু হায়বা শাশি মণিপুরগী নিংথৌকোলগা শাগোন্নবা অমনি। মণিপুরদা টাটা ময়াম লোইবদি ঙল্লগা করিগী শামু লোইবা ঙল্লোইদৌরিবনো। কোনুং হৌজিক করি ফিভমদা লৈরি। মসি মীগী মমাঙদা ইকায়জবা অমসুনি। মসিদা ওজা কুঞ্জলালগুম্বা কয়ানা থীগৎতুনা ইবা হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওইরে।

মীনা ঙাঙবদা তুকা থিরগা ঙাংবদুদি পাঙদবনি হায়না লৌই। অদুনা ঐখোয়গী নিংথৌকোলগী ওইবা ৱারী কয়া অমা লৈরিবসিসু থিদুনা ইরগা ফোঙদোকপা চঙই। নক্লরম্বশিংগী ওইবদা ইবদা মখল মখলগী ৱারী কয়া লৈরিবনি। ৱারী ময়াম অমগী থেংনবশিংদি ইদুনা খঙহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

অনৌবা কেস ৭৮ থেংনখি, ৩৫ ফগৎলকখি, মীওই ১ লৈখিদে

ইম্ফাল, নভেম্বর ২০ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা পোজিটিভ কেস ৭৮ থেংনবগী মনুংদা সী এ পি এফকী পর্সনেল ৩ অমসুং লেমহৌরিবা মীওই ৭৫গী মনুংদনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী নুপা ৩৩ অমসুং নুপী ৪২ য়াওখি।

অনৌবা পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ৬, জেনিমসতা ৬ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদা ৬৬ থেংনখিবনি। নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট ২৭, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩৮, থৌবাল ১, চান্দেল ১, চুড়াচান্দপুর ১, উখ্রুল ৫ অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি। মখোয়গীদমক্তা মাঙজৌননা লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ট্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা মীওই ১ লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগীনি অমসুং মহাক কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ দোজ কাপথোক্লবসু কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি হায়রি।

মীওই অমা নৌনা লৈখিদবা থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৯৬০ শুরে হায়রি। অদুম ওইনমক ঙসিগী ওইনা হোম আইসোলেসনদগী ৩, রিমসতগী ২, জেনিমসতগী ৭ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ২৩ পুন্না ৩৫ নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি হায়রি।

ঙসি ফাওবদা লৈখিবা অপূনবা পোজিটিভ কেসশিংগী মশীংনা ১,২৪,৮৩৫নি অদুগা অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,২২,২৪৫নি। এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৬৩০ লৈখিবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৭.৯৩দা লৈরি। ঙরাং খক্তদা মীওই ৬৭৩৬ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হিদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২০,৯৭,৪৭১ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপ্লবনা ১২,৬৮,৫৪২নি হায়রি।

কোংগ্রেসনা কিষান...

লামায় ১গী মখা... হায়খি, পার্লিয়ামেন্টতা নম্ফুদা পাস তৌদুনা এক্ট ওনখ্রবা ফার্ম লো অহুম অসিগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা চহী অমা মখায় হেন্না খোঙজং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা লৌমী কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রবনি। অদুমকপু ফার্ম বিল অহুম হন্দোক্লগনি হায়খিবা অসিদি লৌমীশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরবু মায়থিবা পীবনি হায়না লৌই।

লৌমীশিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা কোংগ্রেস পার্টি অমদি অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্ট খরনা শৌগৎতুনা লাকখিবনি। লৌমীশিংদা সোলিদরিটি উৎপা ওইনা কিষান বিজয় দিবস থৌরম পাঙথোকপনি। পুৱারীদসু নুমিৎ অসি নীংশিংদুনা লৈরহৌরগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইন্দোনেসিয়াদা 'নাইন হিলস ৱান ভেল্লি'

*লামায় ১গী মখা...*অমগী মতুংইন্না ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিবেল অসিদা উৎননবা খনগৎপা এসিয়াগী ফিল্ম ১৭কী মনুংদা হাওবম পবন কুমারগী 'নাইন হিলস ৱান ভেল্লি' হায়বসিসু য়াওরকপনি হায়রি।

ফিল্ম অসি অনম অহুম কৌবা তাঙ্খুল নাগা অমনা থবক থিনবগীদমক ন্যু দেল্লীদা চৎনবা ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা তম্পাক্তা লৈখিবী মচানুপী উননবা হোৎনখিবা অমসুং মহাক্কী খোঙচৎতা থেংনরকখিবা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগী তাঙ্ককশিং অমসুং ইথনিক কনফ্লিক্টকা মরী লৈননা থেংনখিবশিংদা য়ূম্ফম ওইবা ফিল্মনি। ফিল্ম অসি মিনট ৭৫ শাংবা ফিল্মনি অমসুং ওলি পিচরসকীদমক মসিবু ৱারেপ্পম ঝন্সিরানি অমসুং হাওবম পবন কুমারনা প্রদ্যুসর ওইবনি। ফিল্ম অসিগী কেমেরা মেননা নেসনল ফিল্ম এৱার্দি ইরোম মায়পাক অমসুং রঞ্জন পলিটনি। ফিল্ম অসিগী সাউনদা সুকন্তা মজুমদার, ইদিটিংদা সনখা অমসুং ষ্টোরি-স্ক্রিন প্লে অমসুং দিরেক্সননা হাওবম পবন কুমার মশাগীনি হায়রি।

গভর্ণর লা গনেসননা বি আর...

লামায় ১গী মখা... ঙসি পাঙথোকখিবা এক্সপিদিসন অসিদা শরুক য়াখিবা পূন্নমকপু গভর্ণরগী মায়কৈদগী য়াইফ পাউজেল পীখি। থৌরমগা মরী লৈননা মোটোর সাইকল এক্সপিদিসনগা মরী লৈনবা অতেনবা ফিল্ম অমসু উৎতুনা গভর্ণরদা য়েংহনখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি লম্ফেলদা গভর্ণরনা অমুক হন্না লমথাখিবা মোটোর সাইকল এক্সপিদিসন অসি মমাঙ থাগী ১৪দা ন্যু দেল্লীগী নেসনল ৱার মেমোরিএলদগী লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা লমথাখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ৭৫-বি আর ওগী বাইকরশিং অসিনা নুমিৎ ৭৫নিগী মনুংদা চাওরাক্লা কিলোমিটর লিশীং ২০ লোমদা মখোয়গী এক্সপিদিসন অসি চথরল্লিবনি।

লোয়ননা লৈবাক অসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগা মরী লৈননা চথরল্লিবা এক্সপিদিসন অসিনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং ফাওদুনা চৎকনি অমসুং এক্সপিদিসন অসি মথং থাগী ২৭ ফাওবা লেপ্তুনা চথুগনি হায়রি। ঙসিগী থৌরম অদুদা গ্রিফকী ক্রূপশিং, বি আর টি এফকী ওফিসল অমসুং ফেমিলি মেম্বরশিং, লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী মশক নাইবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

টৌটেল শটদাউননা চীংগী ...

লামায় ১গী মখা... থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ ফংখিদে।

অমরোমদা, ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী হৌখিবা টৌটেল শটদাউন অসিবু নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, চান্দেল (এন এস য়ু সী) গী থৌমীশিংনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী লিৱা চংনীং ভিলেজদা লম্বীদা মৈ থাদুনা অচৎ অওকশিং থিংখি। অমরোমদা, কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও), মোরে ব্লোকনসু খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা মোরে লম্বীগী চিক্কিম ভিলেজদা লম্বী থিংখি। ইমর্জেন্সি সর্ভিসকী নত্তনা অতৈ গাড়ীশিং চৎনখিদে।

লোয়ননা কে এস ও, চুড়াচান্দপুরনসু খোঙজং অসিবু শৌগৎলদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা থোরক্তুনা মীদিয়া, মেদিকেল অমসুং ইসেন্সিএল সর্ভিসকী নত্তনা অতোপ্পা মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংখি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী চথরকখিবা টৌটেল শটদাউনগী খোঙজং অসি জোমি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনদি শৌগৎলোই হায়খিবনি। অদুম ওইনমক চীংগী মরু ওইবা দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক্তা খোঙজং অসিগী মমি চাউনা তাখিবগা লোয়ননা মফমশিং অসিদা লৈবা মহৌশাগী মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখি।

মীরাবাই চনুগী পোক্লফম নোংপোক ককচীং চাওখৎহন্নবা লুপা ক্রোর ৩০ পীরগনি...

লামায় ১গী মখা... মসিদা বি জে পি লৈঙাক্লা পাংবা য়াবা অমদি তৌবা য়াবা থবকশিং তৌগনি। নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরগী গভর্ণমেন্ট অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অনী অসিনা পুন্না হোৎনমিন্নবদগী মণিপুরসু হীরম কয়াদা চাওখৎপগী লম্বীদা খোঙজেল য়াঙনা চখৎলক্লি। মসিদগী হেন্না চাওখৎনবা থবক থৌরমশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎমিন্নসি। হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফটকী লমদম অমা হায়রগদি মণিপুরনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়ানা চহী ৭৫ অসিগী মনুংদা দিভেলপমেন্ট কয়া পুরকপা ঙমখ্রে। অদুগা লাক্কদৌরিবা চহী ২৫ অসিগী মনুংদা ঐখোয় পূন্নমক্লা অমত্তা ওইনা পুন্না মতেং পাংনদুনা, ফেমিলি অমগী মতৌগুম্না অমদি অমনা অমবু থাজনদুনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা সুপর পৱার ওইবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি। ঐখোয় পূন্নমক্লা অমত্তা ওইনা লিংজেল মান্ননা হোৎনমিন্নরবদি শোয়দনা ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়া শোয়দনা সুপর পৱার ওইবা ঙমগনি। ইন্দিয়াগী নিংতম্বগী লানফমদা ট্রাইবেলশিংনা লৌখিবা থৌদাংশিংবু নীংশিংদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জণজাতিয়্য গৌরব দিভস চহী খুদিংগী নবেম্বর ১৫দা পাঙথোক্লবা হোৎনরল্লিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। মসিনা ইন্দিয়াগী নিংতম্বগী লানফমদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা খুন্দারিবা ট্রাইবেলশিংনা লৌখিবা থৌদাংশিংবু হৌরল্লিবা মীরোলশিংনা নীংশিংহৌবা হায়বদু ওইরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, লমদম অসিগী হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটশিংনা মালেমদা মফম অমা কনবা ঙস্বা অসি উবদা চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা চাওথোকচবা ফাওই। লৈঙাক্লসু লমদম অসিদা পুথোক্লিবা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটশিংগী পোৎথোকশিং অমুক্কা হেন্না পুথোকপা ঙম্নবা অমদি চাওখৎনবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লি, মখা তানসু পায়খৎনবা হোৎনগনি। গভর্ণমেন্ট অসিনা ওন্ট্রপ্রেনরশিপ মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনরি। এম এস এম ইগী লমদা ইন্দিয়াগী অপিকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা খ্বাইদগী হেন্না ফজনা থবক তৌবা ষ্টেট অমা ওইরি। মণিপুরদা লৈরিবা মীওইশিং য়াম্না টেলেন্ট লৈবা অমদি হোৎনবা কনবা মীওইশিংনি। চাওখৎনবগী লম্বীদা মাঙজিল থানা চৎপা ঙম্নবা লৈঙাক্লা অঙস্বা মতেং পাংগনি। ষ্টার্টঅপতকীসু মীয়াম্না মতেং লৌনবা লৈঙাক্লা পুং ২৪ হাংদোক্তুনা থল্লি। ঐখোয় পুন্না মসিদগী অমুক্কা হেন্না চাওখৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা হায়, অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা ফিশাবি কয়াগী মশিং হস্থরক্লবসু মণিপুরদদি নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলক্লি। মণিপুরদা হৌজিক লুম লাখ ২.১১ অমদি ফিশাবি লাখ ২.১২ রোম লৈ। মিসন ফোর ইকোনোমিক ইম্পৱরমেন্ট ট্রেদিসনেল অর্টিসান্স এন্দ ক্রাফ্টসমেন (মীটেক), য়ার্ন পাসবুক, মনিটেক্সনচিংবগী মনুংচন্না পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদসু ফোঙদোকখি। লুম অপগ্রেদেসন স্কিমগী মনুংচন্না লুম ৪,৪৬৫ রোম য়েন্থোকখি। ম্যান্মার অমদি মণিপুরগা লোন্নবদা লৈরিবা মোরে অসি হৌজিক য়াম্না মরুওইবা লৈবাক অসিগী সাউথ এসিয়ন কর্ন্ট্রিগী গেট ৱে অমসু ওইরে হায়খি। ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবো ন্যুমাই চীফ সেক্রেটরি রাজেকুমার, য়ু পি সিংহ আই এ এস, এম পি ছায়া বর্মা, দোলা সেন, সুভাস বহেরিয়া,য়ুনিয়ন টেক্সটাইলস সেক্রেটরি উপেন্দ্র প্রসাদ অমদি সেক্রেটরি টেক্সটাইল গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর মাইকেল অচোমসু শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি পিয়ুষ গোয়লনা 'সাইখোম মিরাবাই চনু' হায়বা সোর্ট ফিল্ম অমসু রিলিজ তৌখিবগা লোয়ননা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস মোটিবেসন কেম্প অমসু লোঞ্চ তৌরদুনা মিরাবাইগী অপোকপীদা সোর্ট ফিল্মগীদমক লুপা লাখ ২০গী চেক অমসু খুৎশিন্নখি। লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা খনগৎলবা ফিশাবিশিং অমদি আর্টিসানশিংদা টুল কিটস, পেহচান কার্দস, য়ার্ন পাসবুক, লুম এন্দ মুদ্রা লোনশিংসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি পিয়ুষ গোয়লনা ইম্ফালদা হেক থুংবগা নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জি পিগী থম্বালগী শঙলেন্দা বি জে পিগী ৱার্কর কয়াগা উন্নদুনা ৱারি-ৱাতাই শাখিবগা লোয়ননা ৱার্করশিংনা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎতুনা লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা অমুক্কা হেন্না পুক্লিং চঙনা হোৎননবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

শিজ হোস্পিটালদা ব্লদ গ্রুপ...

*লামায় ১গী মখা...*অদুসু ফরদুনা ময়ূমদা হনখ্রে। পেসেন্ট অদু মশাগী চহী ২৮ খক্তা ঙাইরিবা নহানি। অদুগা কিদনি দোনর ওইরিবা অদুনা মশাগী চহী ৫৪ রোম শুরবা অনাবা অদুগী অপোকপী মমানি হায়খি।

ব্লদ গ্রুপ চান্নদবশিংগী মরক্তা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবা য়ারবনিনা হৌজিক কিদনিগী মথৌ তারকপা পেসেন্টশিংনা মসিগী দোনরগী অৱাবা মায়োক্লরম্বা অদু খরমখৈদি কোকপা ঙল্লগনি হায়খি।

লৈবাক অসিগী ওইনা চহী অমদা মীওই লাখ ২.২০ রোমনা কিদনি মথৌ তাই। অদুবু হৌজিক মীওই ৭৫০০ রোমদা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখ্রে। ৱাৎহৌরিবা মীওইশিং অসি ঙাইনদুনা লৈনরিবনি। অদুগা লোয়ননা মণিপুরগী ওইনসু অৱাৎপশিং অসি মেনখৎনবা হোৎনরি। লৈবাক অসিগী ওইনা অনাবশিংগী মনুংদা চাদা ৯০ রোমদি অতোপ্পা মীওইদগী কিদনি লৌরগা ট্রান্সপ্লান্ট তৌনরি হায়খি।

চাওখৎলবা লৈবাকশিংদদি মীওইবগী ওর্গানশিং দোনেসন তৌবগী চাং য়াম্না ৱাংই। কুমজা ২০১৬কী ওগষ্ট ১৪দা অহানবা ওইনা শিজ হোস্পিটালনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ট্রান্সপ্লান্টকী থবক ৫৬ মায় পাক্লা তৌখ্রে। অদুগা ব্লদ গ্রুপ চানদবা মশেলগী মরক্তা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবা অসিনা হন্দক ওক্টোবর ২৬, ২০২১দা পাঙথোকখিবা অসিনা অহানবনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা নেফ্রোলোজিষ্টকী দিরেক্টর অমসুং কন্সলটেন্ট ডা. গুলিভর পোৎশংবমনা ফোঙদোকখিবদা ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবা পেসেন্ট অদুগী দোনর ওইগদবা মহাক্কী অপোকপা মপাগা ব্লদ গ্রুপ চানরগসু ফিট ওইদবদগী মহাক্কী অপোকপী মমানা ওইনা কিদনি পীগে হায়রকপদগী টেষ্ট তৌবদা পেসেন্ট অদুগীনা ব্লদ গ্রুপ ও ওইখি অদুগা দোনরগীনা ব্লদ গ্রুপ এ ওইখি হায়খি। হান্নদি কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌবদা ব্লদ গ্রুপ মান্নদ্রবদি তৌবা য়ারমদে। অদুবু মদু পূন্নমক লাহোক্লবা পেসেন্টদা য়াওরিবা এন্টি বোদি ওইবশিং লৌথোক্লগা ট্রান্সপ্লান্ট তৌদুনা য়েংবদা ঈশিং ফজনা চৎপা ঙমখি। ওপরেসন চথবদা অশোয়বসু য়াওখিদে। ওপরেসন মতুংদা পেসেন্ট অদু নুমিৎ ৭নি লৈরম্লগা মশা নুংঙাইনা ময়ূমদা হনখি হায়খি। পাউগী মীফম অদুদা হোস্পিটাল অসিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. এস জুগিন্দ্রোসু শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, ব্লদ গ্রুপ মান্নদবা অনীগী মরক্তা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবা হোস্পিটাল অদুগী টিম অসি ডা. গুলিভর পোৎশংবমনা লুচিংলগা কন্সলটেন্ট য়ুরোলোজিষ্ট অমসুং রেনাল ট্রান্সপ্লান্ট সর্জন্ট ডা. সোমোরেন্দ্রো পাওনম, কন্সলটেন্ট য়ুরোলোজিষ্ট ডা. মহেলে মহারাবম, কন্সলটেন্ট জেনরেল এন্দ লেপ্রোসকোপিক সর্জন্ট ডা. দেবেন্দ্র খ্বাইরাকপম অমসুং কন্সলটেন্ট ট্রান্সফ্যুজন মেদিসিন ডা. হৈরাংখোংজম রঞ্জনাসু শরুক য়াখি।

আই এল পিগী থবক্তা অহোবা লৈহনগনু : জে সী আই এল পি এস...

লামায় ১গী মখা... হাপচিল্লগা য়েলহৌমী কন্নবা মপাঙ্গল কনবা লো অমা ওইহন্নবা লূপ অসিগা পাউ ফাওনদুনা অৱাৎ অপাশিং অদু মেনশিন্নবা অথুবা মতমদা ইলেক্সন লাক্লিঙৈগী মমাঙদা গেজেট নোটিফিকেসনদা হাপ্তুনা ফোঙহৌনবা মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদা আপীল তৌরি।

আই এল পিগী রুলস এন্দ রেগ্যুলেসন হৌজিক চৎনরিবসি দেল্লীদগী হোম মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং অসি নুংশিবীদুনা মণিপুরদা আই এল পি অসি চৎননবা লাউথোরকখিবনি। অদুবু মতম অদুদা চৎনরিবা বেঙ্গল ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন এক্ট অসিদগী গেজেটতা ফোঙদ্রিঙৈদা মণিপুরগী মীয়াম অমদি জে সী আই এল পি এসকা পূন্না তানরগা মথৌ তাবশিং, অৱাৎ অপাশিং অদু খন্নগনি হায়না মীয়ামদা লাউথোকখিবনি। অদুবু মদুগী ওন্ন-তৈনবদা ঙসি ফাওবদা লৈঙাক অসিনা চহী অনী হেল্লক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্লা পূন্না খন্ন-নৈনবগী খুদোংচাবা অদু অমত্তা পীরমদনা নমশিন্দুনা থম্বীরি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈঙাক্লা আই এল পি এসকী পাস পীবগী থবক হৌখ্রে। চঙবা অমসুং থোকপদা পাস পীবগী থবক অসি হৌখ্রবা মতুং হৌজিক্লা অমুক য়াম্না খুদোংচাদবা ফীভম অমদা লাক্লে। মরু ওইনা টেম্পরবি পাস পীগদবদা রেগ্যুলর পাস পীখিবা, অসিগুম্বা পীখিবা ময়ামশিং অদু ঙসি ফাওবদা মখোয়না মতম লোইরবা ফাওবদা মশানা রিন্যু তৌদে, লৈঙাক্লসু থবক পায়খৎতে হায়খি।

রিন্যু তৌবগী থবক পায়খৎতবনা পাস পীবগী থবক অসি লেপখ্রবরা হায়না জে সী আই এল পি এসনা চিংনবা অমা ফাওই। মরমদি জে সী আই এল পি এসনা চঙশিল্লকপা রিন্যু তৌগদবা ময়াম কয়া য়াম্না লৈরিবগে অমদি পাস পায়দনা মণিপুরদা লৈরিবা মীশিং অসিনা কয়ানো হায়বদু চেক তৌবা হৌরকপা মতমদা অহোবা অশোয়বা ময়াম অসি খঙবা ঙম্মী হায়রি।

হৌজিক নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ জিরিবাম মায়কৈ অমদি নেসনল হায়ৱে নম্বর টু মাওনচিংবদা লৈরিবা চেক পোষ্টশিং অসিদা য়াম্না লায়না খঙবা ঙল্লে। লূপ অসিনা ফাগৎপা ময়াম অমসু য়াওরে। ফাগৎলিবা মীওইশিং অদু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অকনবা থবক লৌখৎনবা পুলিসতা শিন্নে। চঙশিল্লিবা দ্রাইভ অসিসু মণিপুর পুলিসকা পূন্না খূৎশম্নরগা চথবনি। হৌখিবা নবেম্বর ১৮দগী দ্রাইভ অসি চথবা হৌখিবনি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শামু মখোঙদগী হৌরগা ঙরাংনা থাঙ্গাল কৈথেলগী ধর্ম্মসালা এরিয়া অমদি নাগামপালগী এরিয়াদা চথুখি অদুগা ঙসিনা খুয়াথোংগী এরিয়াদা চথবনি। নুমিৎ হুমনি অসিদা মীওই ২৫০গী মথক্তা ফাগৎখি। হায়রিবা মীওইশিং অসি পুলিসতা লোইনা খূৎশিন্নখি। পুলিসনা মীওইশিং অদুগী মথৌ তাবশিং লৌখৎনবা দি সী ওফিসতা পুশিল্লুবা মতমদা আই এল পি এসকী পাস পায়রমদবশিং অদুনা ভেরিফিকেসন চথবগী মহুত্তা ফোর্ম অমা পীরগা থাদোকপা অদুগা আই এল পিগী কার্দ রিন্যু তৌগদবা মীওইশিং অদু মতম চানা রিন্যু তৌদবগী মরম হংবগী মহুত্তা ফোর্ম অমা পীরগা য়াম্না কোম্না থাদোকপা অসি অঙকপা ফাওই হায়খি।

অসুন্না কোম্না থাদোকপগী মহুত্তা দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিস অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খরা হেন্না কৃপ্না য়েংহন্নীংই। মরু ওইবা ৱাফমদি বেঙ্গল ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন এক্ট অসি চৎনরে হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্লা গেজেট নোটিফিকেসন্দা ফোঙখিবা অদুদা সেক্সন ২১দা য়াওরিবা চৈরাক পীবগী মচাক ময়াম অদুগী মতাংদা থবক ওইনা পায়খৎত্রে। ফ্রীদা অসুন্মাইনা থাদোকপা অসিনা আই এল পি চৎনবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা। ইন্নর লাইন পাস লৌবগী মতাংদা হেন্না লায়থোকহনবা চুমদে। রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা য়াওরিবা চৈরাক পীবগী থবক অসি থবক্তা ওন্থোক্তবনা মপান্দগী চঙলকপা মীতোপ মীয়ানচাশিং লমদম অসিদা মনীং তম্না লৈবদা অয়াবা পীথোকপগুম তৌরি। থৌদোকশিং অসিনা তুংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরকপা য়াই হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

ফার্ম লো ৩ খক্তা নত্তনা সী এ এ ...

লামায় ১গী মখা... হুমাংমল অদুদা কোর্পোরেটতা শিন্নবা অসিদা তাশিন্নদনা লাকপদা নত্তনা ১১ লক ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকপা ঙমখিদবনি।

ইন্দিয়াগী পুৱারীদা লৌমীশিংনা খ্বাইদগী চাওনা হৌবা ঈহৌ অসিদা লৈঙাক পায়রিবশিংনা তাশিন্নদনা লাকখিবনি। অদুবু তাদনা লাকখ্রবা পি এম নরেন্দ্র মোদিনা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা লৌথোক্লগনি হায়না মরোল থোরক্লে। মসি চহী অমা হেনবদা তারক্তবদগীদি ষ্টেট মঙাদা মীখল পাঙথোকখিবদা বি জে পি কাখিদ্রবনি। হন্দক ইকুই কুইদনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট মঙাগী মীখলদসু অসাম নত্তনা অতৈদি কাখিদে। মসিগা লোয়ননা ঙরাং নহান্তা পাঙথোকখিবা মীখলদসু বি জে পিগী কনখ্রবা হিমাচল প্রদেশতা চাওনা মায়থীখি। রাজস্থান্দসু মায়থিখি। অসিগুম্বা মথং মথং মায়থীরকপা অসিনা ঙসিদি মণিপুর য়াওনা ষ্টেট মঙাগী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলদুনা ফার্ম লোশিং অসি হন্দোক্ত্রবদি বি জে পি শোয়দনা মায়থীরগনি হায়বসি খঙলকপদগী হন্দোকপনি, ইকায় খাংদগী কং কোৎপনি হায়খি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খোঙফম হন্দোকখিবা অসি বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অচৌবা মায়থীবা অমনি অদুগা ইন্দিয়াগী লৌমী লাখ অমা হেনবগীনা মায় পাকপনি হায়খি। অদুম ওইনমক ফার্ম লো অহুমগী মায়োক্তা ঈহৌ হৌখিবা লৌমী ৭০০ হেক্তা হায়খিবা অমদি শোকহনখিবগী অদোমীদমক্তদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না কন্সেসন পীগদবনি। ওক্টোবর ৩নি লখিম্পুর খেরিদা হায়রিবা মফমদুদা মিনিষ্ট্রগী মচানুপা লৌমীশিংনা ঈহৌ চঙশিনবদা গাড়িনা তন্থুনা মীওই খরা শিহনখিবা হায়খি।

দিরেক্টর মাহুদপু আই এম সীগী 'এদমিনিষ্ট্রেটর' ওইহনবা এক্টনা য়াদব্রা

লামায় ১গী মখা... লোগী ৱাংমদনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোইরেঙ্গৈ কৈথেলদগী হৈস্নাম গিতাবলি অপোকপা ঐচ লুখোইগী মায়কৈদগী পীখিবা লিগেল নোটিস অদুনা ফোঙদোল্লিবা ৱাফমশিংনা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪ শেমদুনা চৎনরবা চহী কয়াগী মতুংদা য়াম্না তাঙবা থৌদোক অমা থোক্লে। থৌদোক অসি কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইরদুনা আই এম সীগী ৱার্দ ২৭কী অনৌবা কাউন্সিল্লরশিং খন্নবগী মীখল মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদবনি। মসিনা মরম ওইরদুনা কোর্পোরেসন অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লে হায়বসিনি।

আই এম সীগী টর্ম লোইখিবদগী জুন ১৫, ২০২১দগী কোর্পোরেসন অদুগী থবক থৌরমশিং লেপ্তুনা লাকখিবনি। অদুবু জুন ১৪, ২০২১দা থোকখিবা ওর্দর অমদা মাহুদকী দিরেক্টরবু আই এম সীগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা থা তরুক্কী মতম পীরদুনা নৎত্রগা অনৌবা কোর্পোরেসন অমা শেমদ্রিবা ফাওবগী ওইনা হাপচিল্লকখিবনি। লোয়ননা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিনা মরম ওইরদুনা কোর্পোরেসন অসিগী অনৌবা কাউন্সিল্লরশিং খন্নবগী মীখল পাঙথোকপগী ৱাফম লৈখায় তাদনা লৈরিবনি হায়রি।

অদুগা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ২০৫গী মখাদা পীরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না করিগুম্বা কোর্পোরেসননা 'ইনকম্পিটেন্ট' নৎত্রগা 'ইন দিফোল্ট' নৎত্রগনা 'টু হেব এক্সিদেদ' নৎত্রগনা 'এব্যুজ ইটস পৱার' হায়বনচিংবা থোরক্লগদি কোর্পোরেসন অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন য়েংশিন্নবা মীওই অমা নৎত্রগা মীওই খরা খনগদবনি হায়বসিনি।

মরম অসিনা হৌজিক লৈরিবা আই এম সীগী মাহুদকী দিরেক্টরবু এদমিনিষ্ট্রেটর/এদমিনিষ্ট্রেটরস ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীবগী থৌওং অসি মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ২০৫না পীবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না চৎনফম থোক্তে হায়বসিনি।

থৌওং অসি ইল্লিগেল ওইবা থৌওংনি হায়বগা লোয়ননা দিরেক্টর হায়বসিনা ৱাহন্থোক পীরিবসি পোষ্ট অদুবুনি, মীওই অমা নৎত্রগা মীওই খরা নত্তে হায়বসিসু এক্ট অসিগী ৱাহন্থোক্তা য়াওজবা পোৎনি হায়রি।

লিগেল নোটিস অসিনা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ২০৫না পীরিবা প্রোভিজনশিংসু ময়েক শেংনা ফোঙদোল্লি। অদুগা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ২১দা এদমিনিষ্ট্রেটরবু এপোইন্টমেন্ট তৌবগী মতাংদা পীরিবা অসিসু কোর্পোরেসন অসিগী অনৌবা কাউন্সিল শেমদ্রি ফাওবগী ওইনা থা তরুক্কী ওইগদবনি। অদুম ওইনমক হৌজিক লৈরিবা আই এম সীগী ফীভম অসিদদি হায়রিবা অকক্লবা এক্ট অসিগী সেক্সন অসিসু চৎনফম থোক্তে। মরম অসিনা করি করম্বা প্রোভিজনগী মতুংইন্না মাহুদকী দিরেক্টরবু ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীরিবনো হায়বা ৱাহংসু হংলি।

হৌজিক লৈরিবা আই এম সীগী ফীভম অসিগী মতুংইন্নদি চৎনরল্লিবা এক্টকী মতুংইন্না এদমিনিষ্ট্রেটরগী এপোইন্টমেন্ট পীবা নৎত্রগা কাউন্সিল ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরশিং শেম্বা নৎত্রগনা আই এম সীগী থবক থৌরমশিং তৌনবগীদমক এদ-হোক কম্মিটি শেম্বগী থবক্তি এক্ট অসিগী সেক্সন ২২১গী মতুংইন্না পীরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু এক্ট অসিগী প্রোভিজনশিংনা পীরিবা অয়াবশিং শীজিন্নদুনা আই এম সীগী থবক থৌরমশিং নীংথিজনা পাঙথোকপা য়ানবগীদমক থবক পায়খৎকদবনি। মমাঙদসু ওগষ্ট ২১, ২০২০দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর ২/১/২০০০-মাহুদকী মতুংইন্না হায়রিবা থৌওংশিং অসি চথুদুনা লাকখিবনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লি।

মরম অসিনা আই এম সীগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগুম্না নীংথিজনা পাঙথোকপা ঙমহন্নবগীদমক মথংগী টর্ম অমগী অনৌবা কাউন্সিল্লরশিং খন্নবা মীখল পাঙথোক্ত্রিঙৈগী চৈরক্তা এদ-হোক কম্মিটি নৎত্রগা কাউন্সিল ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরস অমা মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিজ এক্ট, ১৯৯৪গী সেক্সন ২২১গী মতুংইন্না মমাঙথক্তা তৌখিবগুম্না শেমগদবনি নৎত্রগনা পাঙথোকফম থোক্লবা কাউন্সিল্লরশিং খনবগী মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়বসিনি।

ৱাফম অসি লিগেল নোটিস অসি ফংলবা মতুং চয়োল অমগী মনুংদা থবক্তা পাঙথোক্কদবনি অমসুং থবক্তা ওন্থোকপগী ৱাফমসু খঙহল্লক্কদবনি নৎত্রগদি হায় কোর্টতা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অমা চয়োল অমগী মতুংদা ফাইল তৌরগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্তুনা খঙহনখি হায়রি।

[illegible]
Sun Valley GNM School of Nursing

Admission in Sun Valley GNM School of Nursing, for the session 2021-2022 is going on. Interested candidate can collect the admission form from Sun Valley Hospital from 15th November 2021 onward.

Sun Valley GNM School of Nursing
Purbanchal Path, Mathura Nagar
G.S Road, Guwahati-781022
Ph. No - 0361-2336600, 2334762, 7002308862

HL-P/0670/19,21